লালু প্রসাদতা পীরম্বা জেদ প্লস কেটগোরিগী সিক্যুরিটি লৌথোকখ্রে

পাটনা, নবেম্বর ২৭(এজেন্সী): রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি)গী লুচিংবা অমসুং বিহারগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা লালু প্রসাদ যাদবতা সেন্টরনা পীরম্বা সিক্যুরিটিগী থাক হন্থহনখ্রে।

মমাঙদা জেদ প্লস কেটগোরিগী সিক্যুরিটি পীদুনা নেসনল সিক্যুরিটি গার্দ (এন এস জি)গী কন্মান্দোশিংনা ঙাক্লম্বা যাদবতা হৌজিক্তি জেদ কেটগোরিগী সিক্যুরিটি ওইনা পীরে।

লালু প্রসাদ যাদব ঙাক্লম্বা এন এস জিগী কন্মান্দো পূন্নমক লৌথোক্লগা সী আর পি এফ পার্সনেলশিংনা মহুৎ শিল্লগনি হায়রি। থৌওং অসিবু বিহারগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরম্বা লালু প্রসাদ যাদবকী মচানুপা টেজ প্রতাপনা অকন্নবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, করিগুম্বা লালু প্রসাদ যাদবতা ফত্ত-নুংদা থোকপা তারবদি মদু পূন্নমক্কী থৌদাং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং নিটিশ কুমারনা পুগদবনি। কনাগুম্বা মীওই খরনা অৱাংবা থাক্তা লৌতুনরগা লালু প্রসাদ হাৎনবা হোৎনরে হায়নসু মহাক্না মরাল শীখি।

যুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা জিতন রাম মঞ্জিদা পীরম্বা জেদ প্লস কেটগোরিগী সিক্যুরিটিসু লৌথোকখ্রে। হৌজিক্তি বিহার পুলিসনা মঞ্জি ঙাক-শেনবগী থৌদাং লৌরগনি।

অমরোমদা, টেজ প্রতাপ যাদবনা বিহারগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর সুশিল কুমার মোদিগী মচানুপা লুহোংবগী থৌরম থুগায়গনি হায়না কিহনখিবগী মতাংদা শেংদোরকখ্রে। মহাক্না হায়খি, সুশিল কুমারনা চিংনবা অমসুং অকিবা অমত্তা য়াওদনা মচানুপা লুহোংবগী থৌরম পাঙথোকপা য়াগনি। কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা লুহোংবগী থৌরমদা অকায়-অতোয় থোকহনবগী ৱাফম লৈরোই। পনবা য়াবদি, ঔরঙ্গবাদ দিষ্ট্রিক্তা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা টেজ প্রতাপ যাদবনা হায়খিবনি মদুদি, করিগুম্বা মহাক্না সুশিল কুমার মোদিগী মচানুপা লুহোংবগী থৌরম য়াওবা তারবদি মীয়াম মাঙদা মোদিগী অরোন-অথুপ পূন্নমক লাউথোক্তুনা লুহোংবগী থৌরম কায়হন্নবা হোৎনগনি।

রাজেন্দ্রনগরগী সাখা মাইদানদা লুহোংবগী থৌরম পাঙথোক্কনি হায়না থৌরাং তৌরম্বদগী পাটনা এয়রপোর্ট মনাক্তা লৈবা ভেটিরিনরি কোলেজ গ্রাউন্দা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

গুজরাটকী মীখল : বি জে পিনা মীরেপ ৩৪গী মিং লাউথোকখ্রে

অহমেদবাদ, নবেম্বর ২৭(এজেন্সী): ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না ঙসি লাক্কদৌরিবা গুজরাট এসেমব্লি ইলেক্সনগা মরী লৈননা মীরেপ ৩৪গী মিং য়াওবা তরুকশুবা লিষ্ট থাদোরকখ্রে। হৌজিক ফাওবদা পার্টি অসিনা সীট ১৮২ দা মীরেপ থাদোক্কনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রে।

গুজরাট এসেমব্লি ইলেক্সনগী অনীশুবা তাঙ্কত্তা মীরেপ ওইগদবশিংনা মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ ঙসিনি। নবেম্বর ২৪ দা পার্টি অসিনা থাদোরকখিবা মঙাশুবা মীরেপশিংগী লিষ্টতা চীফ মিনিষ্টর বিজয় রুপানি অমসুং অতৈ শক্লাইরবা লুচিংবা কয়া য়াওখিবনি।

পার্টি অসিগী অহানবা লিষ্টতা মীরেপ ৭০, অনীশুবা লিষ্টতা মীরেপ ৩৬ অমসুং অহুমশুবা লিষ্টতা মীরেপ ২৮ গী মিং য়াওখি। নবেম্বর ২১ দা থাদোরকখিবা মরিশুবা লিষ্টতদি শুপ্নগী মীরেপ অমখক্কী মিং য়াওখি।

দিসেম্বর ৯ অমসুং দিসেম্বর ১৪ দা তাঙ্কক অনী থোক্লা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা গুজরাটতা কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিনা অকনবা লম্বা পানরি। তাঙ্কক অনী থোক্লা মীখল পাঙথোক্লবা মতুংদা হিমাচল প্রদেশকী এসেমব্লি মীখলগা পুন্না দিসেম্বর ১৮ দা ভোট মশীং থীগদৌরি।

চৈরকসিদা, দলিট লুচিংবা জিগনেশ মেভানিনা গুজরাট এসেমব্লিগী মীখলদা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা বদগাম কন্সটিট্যুয়েন্সিদা চোংথোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

রাষ্ট্রিয়া দলিট অধিকার মঞ্চকী লুচিংবা অসি কুমজা ২০১৬ কী জুলাইদা থোকখিবা থৌদোক অমনা মরম ওইরগা দলিট মীয়ামগী লুচিংবা ওইনা চোংথোরকখিবনি।

ষণ হাৎলি হায়না চিংনবদগী তাথী-তাওইনা তৌবীখিবা দলিট মরিগী মায়কৈদা লেপ্তুনা থৌনা ফনা চোংথোরকখিবা নেভানিনা বদগামদা মীরেপ অমত্তা থাদোকপীরক্তনবা পোলিটিকেল পার্টি পূন্নমক্তা হায়জখি।

মহাক্না হায়খি, করিগুম্বা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা অতোপ্পা মীরেপ অমত্তা চোংথোরক্তবা তারবদি বি জে পিগা হকথেংননা লম্বা পাবা ঙম্লগনি। গুজরাট কোংগ্রেসনা নেভানিগী ৱাফম ইকায় খুম্নবা ওইনা হৌজিক-হৌজিক পার্টি অসিগী এম এল এ ওইরিবা মনিভাই বঘেলাবু কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা মীরেপ ওইনা থাদোক্লরোই হায়না ফোঙদোকখি।

আধারগা লিঙ্ক তৌহনবগী অরোইবা মতম মার্চ ৩১ ফাওবা শাংদোক্কদৌরি

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৭(এজেন্সী): তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিংগী খূদোংচাবা ফংনবগীদমক তঙাইফদনা আধারগা লিঙ্ক তৌহনবগী মায়োক্তা থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসন পূন্নমক সুপ্রিম কোর্টনা হিয়ারিং চথরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা, কন্সটিট্যুসন বেঞ্চনা চথখিবা হিয়ারিংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা হায়খ্রে মদুদি, আধার অমদি তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিং লিঙ্ক তৌহনবগী থৌরাং মথং চহীগী মার্চ ৩১ ফাওবা শাংদোকহন্নবা ফিরেপ লৌরে।

চীফ জষ্টিশ দিপক মিশ্রানা লুচিংবা জষ্টিশ এ এম খনৱিলকর অমদি জষ্টিশ দি ৱাই চন্দ্রচুদসু য়াওবা বেঞ্চ অদুনা হায়খি, হীরম অসিগী মতাংদা কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ খক্তনা মরক্কী ওইবা য়াথং পীবা ঙম্মী।

আধার স্কিমগী মায়োক্তা থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসনশিংনা হায়খি মদুদি, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ৱেলফেয়র স্কিম পূন্নমক্তা আধারগা মরী লৈনহন্নবগী মতাংদা লৌখৎলকপা থৌরাং অসি থিংনবা কোর্টনা ইন্টরিম ওর্দর অমা পাস তৌবা মথৌ তাই।

ওক্টোবর ৩০ দা চীফ জষ্টিশনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা হায়খিবনি মদুদি, কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ অমা শেম্লগা আধারগা মরী লৈনবা ৱাফম পূন্নমক হিয়ারিং চথনবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

মোবাইল নম্বর অমদি আধার লিঙ্ক তৌহনবগী মায়োক্তা মীওই অমনা নবেম্বর ১৩ দা থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসন অমা সুপ্রিম কোর্টনা লৌখিদে। চপ মান্নবা মখলগী পিটিসন কয়ামরুম মাঙজৌননা থাঙ্গৎলকপদগী পন্দুনা লৈরিবা মরম্না পিটিসন অদু লৌখিদবনি।

নবেম্বর ৩ দা এপেক্স কোর্টনা হায়খিবনি মদুদি, বেঙ্ক একাউন্ট অমসুং মোবাইল নম্বরশিং আধারগা লিঙ্ক তৌহনবগী অরোইবা মতম বেঙ্ক অমসুং টেলিকোম সার্ভিস প্রোভাইদর-শিংনা ময়েক শেংনা ফোঙদোরক্কদবনি।

হৌজিকমক্কী ওইনদি আধার অমসুং বেঙ্ক একাউন্ট লিঙ্ক তৌহনবগী অরোইবা মতম দিসেম্বর ৩১ দা ওইরি। মোবাইল নম্বরগা লিঙ্ক তৌহনবগী অরোইবা মতমনা মথং চহীগী ফেব্রুৱারী ৬ নি। অদুবু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা সুপ্রিম কোর্টতা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসিগী মতুংইন্না আধারগা লিঙ্ক তৌহনবগী থৌরাং পূন্নমক মথং চহীগী মার্চ ৩১ ফাওবা শাংদোক্লবা য়াই হায়না থাজনরি।

চৈরকসিদা, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জীনা হায়খ্রে মদুদি, মোবাইল নম্বর অমসুং বেঙ্ক একাউন্টশিং আধারগা লিঙ্ক তৌহনবগী থৌরাং অসি কা হেন্না খূদোংথীনিংঙাই ওই। হান্নদগী পান কার্দ অমসুং ভোটর আই দি কার্দ পায়দুনা লৈরবা মীওইশিংদা আধার কার্দ পীবগী থৌওং অসিনা মীচম মীয়ামগী রাইট টু প্রাইভেসিদা চাওনা শীংনবা ওইনা থোক্লে।

আধার স্কিম য়ানিংদবা ফোঙদোক্ল-দুনা মহাক্না হায়খি, মীপূম খূদিংমক তঙাইফদনা আধার কার্দ পায়হনবগী থৌরাং অসিনা মরম ওইরগা মমা-মচা অমসুং মতৈ-মনাওগী মরক্তা লোন্না ৱারী শানবা ফাওবা ইরায় লায়না খঙবা ঙম্বগী ফীভমদা লৈরে।

চা য়োল্লম্বা তারবসু ইরৈবাকমক্তি য়োনখিদে : প্রাইম মিনিষ্টর

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৭(এজেন্সী): মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা গুজরাট-তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থৌরম অমদা হায়খ্রে মদুদি, লায়রবা মীশক অমা ওইনা চা য়োল্লগা হৌরকখিবা তারবসু ইরৈবাক য়োম্থোকপমক্তি তৌখিদে।

কোংগ্রেস পার্টিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খি, চা য়োল্লগা য়াম্না ৱানা হৌরকখি হায়বগীদমক কোংগ্রেসনা করেম-কথাইনবগী মওংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদু লৈবাক মচা তাবা থৌওং নত্তে।

দিমোনেটাইজেসনগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, লায়রবা মীয়ামদা খূদোংচাবা ফংহন্নবগীদমক দিমোনেটাইজেসনদগী হেনবা থৌরাং কয়া লৌখৎনবা শেম শারে।

মুম্বাই টেরর এটেকতা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবা হাফিস সায়দ থাদোরকখিবদা কোংগ্রেসনা হরাউবা ফোঙদোকখি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরনা মরাল শীখি। মহাক্না হায়খি, সিক্কিমগী ঙমখৈ মনাক্তা লৈবা দোক্লাম ইন্দিয়ন আর্মিনা নুমিৎ ৭০ রোম চাইনাগী লান্মীশিংগা মুক্নখিবা মতমদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিবা কোংগ্রেসনা চাইনাগী এম্বেসেদরগা লেংগোন্নখিবা অদু লৈবাক অসিবু ইকায়বা পীবনি হায়না লৌফম থোকই।

মুম্বাই টেরর এটেককী মতাংদা কোংগ্রেসনা লুচিংবা যু পি এ গভর্ণমেন্টনা মতিক চাবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎপা ঙমখিদে। বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক লাক্লবা মতুংদদি টেররিষ্টশিংনা যুরিদা এটেক চথরকখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ন আর্মিগী কন্মান্দোশিং থাজিন্দুনা পাকিস্তান ওক্যুপাইদ কাশ্মীর (পি ও কে)দা লৈবা টেররিষ্টশিংগী মথক্তা এটেক চথখি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কোংগ্রেসপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, গুজরাটতা পোকখিবা সর্দার বলভভাই পটেলবু ইকায় খুম্নবা ঙমদ্রিবা কোংগ্রেসতা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না ভোট পীফম থোক্তে। ষ্টেট অসিদা পোকপা মীওই অমনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরক্লবা মতুংদসু চা য়োল্লগা হৌরকপা মীওইনি হায়না ইকায়বা পীখিবগী থৌওং অদু গুজরাটকী মীয়াম্না কাউফম থোক্তে। হন্দক্কী মীখল অসিদা বি জে পিনা কোংগ্রেসপু শোয়দনা মায়থীবা পীরগনি।

Government of Manipur
Rural Engineering Department
Manipur State Rural Roads Development Agency (MSRRDA)
(Department of RD & PR, Govt. of Manipur)

4th Floor, Secured Office Complex, A.T. Line, North AOC: Imphal, Manipur

NOTICE

Dated, Imphal the 27th November, 2017

No.5/16/2017-MSRRDA/E-Tender/Ph-XI (B-I, 2017-18)/689: It is hereby informed to all the concerned that the last date of bid submission of NIT of even No. dated 31st Oct., 2017 is hereby postponed till **17.00 Hrs of 14th Dec., 2017** and the opening of technical bids shall be on **15th Dec., 2017 at 11:00 Hrs** at the Conference Hall of RED/ MSRRDA.

Sd/- **Th. Nandakishore Singh**
Chief Engineer, RED/MSRRDA

HL-B/4243/28

[illegible]

JOB FOR X & XII PASS

ISO 9001:2008 Certified Company অমগীদমক ইম্ফাল অমসুং মণিপুরগী Major District শিংগী ওইগদবা Higher Official Managerial Post কীদমক Freshers candidate **(নুপা ৬৭ অমসুং নুপী ৪৩)** কী Recruitment তৌজগনি।

Age : চহী ৩০ গী মখা
মহৈগী থাক : Matric to Graduate
Facility : **Fooding + Lodging Available**

Deposit লৈজরোই। Apply তৌবিনিংবা মীওইশিংনা অয়ুক্কী পুং ১২ দগী নুংথিলগী পুং ৩ গী মনুংদা ইশাগী বাইও-দাটাগা লোয়ননা লাকপীয়ু।

FIRST COME ! FIRST CHANCE

HL-P/3053/28,30,4 ***Contact :*** ☎ **8014170652 or, 8259950861**

[illegible]

EMPLOYMENT NOTICE

Govt. of Manipur
Regd No.:- MN05E0004182

VARIOUS POST VACANCY FOR AIRPORT			
1 Flight Attendant, Cabin Crew	12	XII	45000-Above
2 Cargo Executive, CSA	18	Grad	18000-Above
3 Airport Plaza Staff, Retailer	27	X-Above	15000-Above
4 Ground Staff, VIP Lauge	30	XII	12000-Above
5 Air Ticketing, Air Anouncer	31	XII	13000-Above
6 Loader, Cleaner	45	XII	8000-Above
DISTRICT WISE VACANCY OF BANKING STAFF			
1 Account Sales Officer, Loan Officer, BDE	26	XII-Above	12000-Above
2 Operational Staff, Sitting Staff	32	Grad	18000-Above
3 Relationship Manager, Sales Manager	13	Grad	20000-Above
DIRECT JOIN MICROFINANCE			
1 Reception, Computer Operator	15	X-Above	4500-Above
2 Field Officer, Loan Collector	27	X-Above	5000-Above
3 Cashier ,Accountant	8	XII	7000-Above
4 Field Manager, Asst.Manager	10	Grad.	10000-Above
RESTAURANT, HOSPITAL ,SCHOOL & OFFICE STAFF			
1 Nurse, Lab.Technician	27	-------	4500-Above
2 Waiter, Waitress	15	X-Above	4000-Above
3 Peon ,Cook, Chowkidar	20	XII	5000-Above
4 Data Entry, Attendant	17	X-Above	5000-Above
5 Driver, Grass Cutter	25	VIII	5000-Above
6 Gunman, Supervisor	15	VIII	8000-Above
7 Security, Helper	35	VIII	5000-Above

JOB AT HOME earn upto 10000 to 25000/- per month. (house-wife, Student, Employed, Unemployed can also apply)

Last submission :- 06/12/2017 ***Interview : 07/12/2017***

# 8575774634
# 8794073365

ECHELON SERVICES
THOUBAL MELA GROUND,
Near Brilliant School

HL-P/4690/24-30 (Even), 2-4 Dec.

THE IMPHAL URBAN COOPERATIVE BANK Ltd.

Administrative Office, M.G. Avenue, Imphal

NOTICE

Imphal, the 24th November, 2017

No.IUCB/23(b)/2017-18: In continuance to the Bank's Notice of even No. dated 6-11-2017 and as per Rule No. 1 of the Rules for Election of Delegates, it is hereby notified to all shareholder - members admitted upto 3-2-2016 that a Final List of Members eligible to contest and eligible to vote is hereby published in the Notice Board of the Administrative Office of the Bank after examining the list of defaulters submitted by the Branch Offices.

Sd/- **L. Binomala Devi**
Asst. General Manager

HL-B/4240/28



CAS Foundation

An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

ADMISSSION OPEN

REVISION COURSE

CLASS XII & CLASS X

6th Position Michael Atom

14th Position Siddhant Wangkhem

21st Position Seityajit Chongtham

Satyapriya RK

Kh. England

M. Geetabali

SOME SEATS ARE LYING VACANT FOR FIRST BATCH

First come first serve

Classes commencing from 16th Nov. 2017

Morning / Evening Batches, Hostel for BOYS & GIRLS available

For Detail :CAS, Office, Main Building, Keishampat Junction (Office Hour -5.00 am - 7.30 pm)

HL-B/4181/25Oct-22Dec (Alt)

[illegible]/JOB NEWS

POST VACANCIES FOR AIRPORT AND AIRLINES (NEW DELHI AND GUWAHATI)

Sl.No. Name of Post	*Qualification*	*Salary*
1. CSA/Air Ticketing	Graduate	16000/- + Incentive
2. Cabin Crew/Air Hostess	XII & above	45000/- & above
3. TFS, Retails, PSA	XII passed	15000/- +fooding+Incentive
4. Trolly/Loader	VIII to X passed	14500/- + Overtime
5. Flight cleaner/Weight checking	VIII passed	145000/- + above
6. Helper/Panboy	VIII passed	9000/- + Incentive
7. Driver/Security Guard	VIII passed	17000/- + Overtime

URGENT JOB VACANCIES FOR EX-SERVICEMEN & FRESHERS

Sl.No. Name of Post	*Age*	*Salary*
1. Security Guard	Upto 50 yrs	13000/- & above
2. Security Supervisor/Gun Man	Upto 50 yrs	14500/- & above
3. Security officer/Asst. security officer	Upto 50 yrs	16000/- & above
4. Training Instructor	Upto 50 yrs	20000/- & above
5. Driver	Upto 50 yrs	14000/- & above

MULTIPLE JOB VACANCIES

SL.No. NAME OF POST	*QUALIFICATION*	*SALARY*
1. Security Guard	VIII & above	6000/- & above
2. Security Supervisor	XII passed	7500/- & above
3. Driver	VIII passed	7000/- & above
4. Cook/House keeping	VIII & above	6000/7000 above
5. Attendant/Receptionist	X/XII/Graduate	5000/7000 above
6. Home Tutor	XII & above	Negotiable
7. Field Officer/Loan Recovery Staff	XII&above	7000/- & above
8. GNM/B.Sc. Nursing/Lab-Tech/X-ray Tech		Negotiable

Last Date of Form Submission : 5/12/2017
Interview Date:7/12/2017 Office Hour :9:30 am to 4:00 pm

For more details please contact :
☎ **7424017313 / 7085791399 / 8794829055**
LIFE CARE JOB CONSULTANCY
Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001
Regd. No. 14/006/21/04170/Micro-part-1

HL-P/3018/26/11-3/12

ꯃꯥꯡꯂꯦ/ ADMIT CARD LOST

I have lost my Original Admit Card of Class-XI Examination, bearing Roll No. 10885 of 2017 issued by COHSEM, on the way between Comprehensive Concept School and Ningombam Makha Leikai on 23/11/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Sitaranjan Kanghujam**
S/o Kanghujam Santosh
Ningombam Makha Leikai ☎ **9856459628**

HL-P/147/28

No. 4/19/LA/2016-Com(Rev)
GOVERNMENT OF MANIPUR
SECRETARIAT : REVENUE DEPARTMENT
NOTIFICATION

Imphal, the 22nd November, 2017

Whereas, the State Government intends to acquire 39.25 acres of land specified in the land schedule appended to this Notification for a public purpose i.e. Acquisition of land at Mahakabui (Namching) village for location of Assam Rifles (Kangpokpi District) (Old Senapati District) by the Commandant, 45 Assam Rifles, Keithelmanbi, Kangpokpi District.

2. Now, therefore, in exercise of the powers given under section 4(1) of the said Act read with Rule 3 of the Right to Fair Compensation and Transparency in Land Acquisition, Rehabilitation and Resettlement (Social Impact Assessment & Consent)(Manipur) Rules, 2014, the State Government hereby notify for information of all concerned that consultation and Social Impact Assessment study in respect of acquisition of land at Mahakabui (Namching) village for location of Assam Rifles (Kangpokpi District)) will start by the Social Impact Assessment Unit immediately.

3. Further, the Social Impact Assessment report shall be submitted by the Social Impact Assessment Unit within the time frame provided in the Act from the date of issue of this Notification.

4. The detailed information as required are given below :-

i (a) Name of Project Developer:- (b) Brief description of the proposed Project : (c) The lands proposed for acquisition: The Project area and affected areas to be covered by the Social Impact Assessment:	Acquisition of land at Mahakabui (Namching) village for location of Assam Rifles (Kangpokpi District) 39.25 acres. Mahakabui (Namching) village.
ii The main objectives of the Social Impact Assessment and key activities including (a) Consultation (b) Survey (c) public hearings:	To assess the positive and negative social impacts associated with the land acquisition, to provide transparency and fair compensation to the affected families and to formulate measures to ameliorate negative impact if any.
iii If consent of Gram Sabhas and or land owners is required, the Notification must state this :-	Does not arise.
iv The time line for Social Impact Assessment and the final deliverable (Social Impact Assessment Report and Social Impact Management Plan) along with the manner :	Within the time frame provided in the Act.
v) Statement that any attempt at coercion or threat during ````this period will render the exercise null and void.	

By orders & in the name of Governor

Sd/- **Th. Chittaranjan Singh**
Commissioner (Revenue), Govt. of Manipur

HL-P/4760/28

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, IMPHAL EAST-II

Ref:- Mut. Case No. 400/ASO-IE-II / 2017

1. Ningthoujam Jadumani Singh S/o Late. N. Munal Singh of Khurai Thangjam Leikai.
2. –Do– Ramani Singh S/o Late –do– of –do–.
3. –Do– Bobby Singh S/o Late –do– of –do–.
4. –Do– Somen Singh S/o Late Iboyaima Singh of –do–.

... Petitioners

-VS-

Late 1. Ningthoujam Munal Singh
Late 2. –Do– Iboyaima Singh
3. –Do– Saratkumar Singh
4. –Do– Brajabidhu Singh S/o Late Pishak Singh of Thangjam Leikai.

... O.P.

ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯠ/NOTICE

Date 27/11/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি। মদুদি খুল নম্বর ২৫- সোইবম লৈকাইগী পাট্টা অরিবা নং ২৭৩ অনৌবা পাট্টা নং ২৭৭ দাগ নং ৩৬৩ এরিয়া ০.১৮ একর ইঙ্খোলগী লম অসি Co-pattadar No. 1, Co-pattadar No. 2 অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃত Pattadar 1, 2 গী মমীং কল্লগা পেটিস্নরশিংনা মমীংদা নামা ওনশিনবীয়ু হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মসিদা ইঙ্খোলগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌরো নৎত্রবদি য়ারে হায়না লৌদুনা নামা ওনখ্রগনি, তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা অমুক তাররোই।

Sd/- **Assistant Survey & Settlement Officer, Imphal East-II**

HL-P/4759/28

SHANTA TRADITIONAL HEALING CENTRE বু থাগৎচরি

মতম শাংনা লায়েংবদা ফবা ঙম্মুদ্রবা ঐগী খ্বাঙগী **L_4–L_5–S_1** শিংলি নম্বা (শিংলি লোনশিন্নবা) তৌদুনা চৎপা ঙমদবা, খোঙ-ফৈ চিংবা শিথবা, চিকপা-নাবা, নীং পৈথোকপা অসিনচিংবা তৌরম্বা পূন্নমক লাংমৈদোংদা লৈবা **SHANTA TRADITIONAL HEALING CENTRE # 9615015829** অসিদা লায়েংজরুবদগী পুংফ ফজরে। ওজা শান্তবু মতম শাংনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ঈশ্বরনা পীনবীবা ওইসনু লোয়ননা ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

থাগৎচরিবী : লোংজম গম্ভিনি দেবী
নারান শৈনা (মোইরাং) ☎ **8974941232**

HL-P/148/28

OFFICE OF THE
KAKCHING MUNICIPAL COUNCIL, MANIPUR
ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯠ/NOTICE

Kakching, the 25th November, 2017

No.6-25/KMC/ST/2017-2956: অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Kakching Municipal Council না Kakching Bazar Market No. 1 দা Shopping Complex অমা শাদুনা মীয়ামদা allot তৌনবগীদমক তাং ২৩/১০/২০১৫ ইংদা তৌখিবা Lottery দা Ticket No. 9786 না KIS হায়বা কাঙলুপ অমগী মীংদা 1) Ksh. Kiran Singh S/o Ibotombi Singh, Kakching Makha Leikai Panjao, 2) Ksh. Ingocha Singh S/o (L) Bidur, Kakching Makha Leikai Sabal Pareng, 3) Yengkhom Sanjoy Singh S/o (L) Tomba Singh, Kakching Makha Leikai Sabal Pareng মখোয় অহুম্না দুকান অসিবু ফাওরিবা Ticket No. 9786 অসি Shri Mayanglambam Joy Singh S/o (L) M. Ibobi Singh, Kakching Wairi Khullakpam Leikai দা লৈবদা শীন্নরবা মরম্না হায়রিবা টিকেট অমদি দুকান অসিগী হক পুম্বা Shri M. Joy Singh দা ওনবীরো হায়না দুকান ফাওরিবা মীওইশিংনা মা-মাগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগী সহিগা লোয়ননা Councillor, Ward No. 11 না Verify তৌদুনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা Ticket No. 9786 অসিগী মপু ওইনা record তৌরিবা মখোয় অহুমগী মমীং ককথৎলগা Shri M. Joy Singh গী মীং record তৌরগনি। হায়রিবা টিকেট অসিগী মপুং মমীং ওন্থোক্লগা record তৌবা অসিগা মরী লৈননা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি তৌনিংবা (য়েৎনিংবা) লৈরবদি নোটিস অসি ফোঙবদগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা Executive Officer, KMC দা আপতি তৌরকপা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি অমত্তা লৌরোই অমদি Winner/allottee গী মীং ওনখ্রগনি।

Sd/- **Suranjoy Singh Laishram**
Executive Officer
Kakching Municipal Council, Manipur

HL-B/4239/28

[illegible]
শৈশকপা ওজা কোংখাম বীরকুমারবু থাগৎচরি



বীরকুমার

সগোলবন্দ খুন্নাম লৈরক আই. টি. আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা ওজা **লাইশ্রম নবকিশোর**-না ইবীবা লাইরিক ***"চুম্মী" হায়না লৌবিব্রা? "লাল্লী" হায়না লৌবিব্রা?*** হায়বা অদুক্কী মতিক নুংঙাইবা, কান্নবা পীবা লাইরিক অসিগী ময়েকশিং অসিবু অহিংবগুম থৱায় হাপ্পীদুনা ঈশৈ ওইনা শক্তোকপীরিবা শৈশকপা ওজা **কোংখাম বীরকুমার** চিংঙামখা মাইস্নাম লৈকায়বু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

থাগৎচরিবাঃ লৈতান্থেম ইরাইকুমার
কোংপাল চানম লৈকায়।

HL-P/4751/28